# গ্লোবেল ইন্টপ্রিনিয়র নারেংবম সমারজিৎতা দোক্টর ওফ হ্যুমেনিটি এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

মণিপুরদতা নত্তনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা তোঙান তোঙানবা কম্পেনি ১০ রোম লিংদুনা পূন্না মীওই ২৫০০ রোম থবক পীরিবা ইম্ফালগী শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিদেটকী চিয়রমেন এন্দ মেনেজিং ডাইরেক্টর নারেংবম সমারজিৎ সিংহ দা নেস্নেল আমেরিকান য়ুনিভর্সিটি না দোক্টর ওফ হ্যুমেনিটিস পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

নারেংবম সমারজিৎতা দোক্টর ওফ হ্যুমেনিটিস এৱার্দ অসি ঙরাং জুন ২২দা থাইলেন্দগী সিটি স্কর, ১০৯১ / ৩৩৬ ন্যু পেটচবুরি রোদ বেঙ্কোক্তা লৈবা বেঙ্কোক পেলেস হোটেলদা নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর এদুকেসন এন্দ রিসার্চ, ন্যু দিল্লি, ইনিদয়ানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা খূৎশিন্নখি। নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর এদুকেসন এন্দ রিসার্চ ন্যু দিল্লিগী দি জি ডা. অবিরাম কুলশ্রিষ্ঠা, প্রাইম মিনিষ্টর ও জি থাইলেন্দগী ফোর্মর এদভাইজর ডা. জারান মাউলিন অমদি থাইনিচি ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি থাইলেন্দগী প্রোফেসর ডা. ৱান্দিদা ৱাদিচারিওনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা পাঙথোকপা নেস্নেল আমেরিকা য়ুনিভর্সিটিগী কনভোকেসন সেরেমোনি অমদা খূৎশিন্নখি।

তোঙান তোঙানবা লমদা শক্লাইরবা খনগৎলবা মীওই ৮ দোক্টর ওফ হ্যুমেনিটিস এৱার্দ পীবদুদা য়াওরকখ্রবা ইন্দিয়া (মণিপুর) দগী নারেংবম সমারজিৎ সিংহনা ফোঙদোকখবদা মহাক অমদি সলাইনা লৈপাক মীয়ামগী তৌজখিবা খরবু য়েংলগা দোক্টর ওফ হ্যুমেনিটিস অসি পীবিরকপসি নুংঙাইবা ফাওজে।

দোক্টর ওফ হ্যুমেনিটিস অসি মহাক্না সলাই ইষ্টব্লিস তৌদুনা থবক থৌদা কয়া পায়খৎপদুগা মরী লৈননা বাইও দাটা অমদি প্রোফাইল কৌরকপদগী থারুবদা পিবিরকখিবনি। তাশেংনমক্তী অসি মহাক অমসুং মহাক্কী সলাইগী থৌমীশিংনা মণিপুর অৱাং নোংপোক খক নৎত্তনা মালেমগী লৈপাক কয়াদা মীওইবা খুন্নাইগীদমক ইশাগী পোথোক কয়া পুথোক্তুনা চাওখৎনবা হোৎনরিবসিসু শকখঙবীদুনা পীবিরকপনি। মসিনা চাওখৎ মায়কৈন্দা হেন্না চাঙশিনবা ঙম্লগনি।

মদু দোক্টর ওফ হ্যুমেনিটিস পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপসিনা মহাক অমদি মহাক্কী সলাইগী থৌমীশিংবু ইকোনোমিকেল্লি সোসিয়েল অমদি পোলিটিকেলি মতেং পাংলকখিবশিংদসু থৌনা অমা পীদুনা হেন্না অফবা থবক পায়খৎপা ঙম্লগনি।

বেঙ্ককোককী বেঙ্ককোক পেলেস হোটেলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ইন্দিয়া আমেরিকান য়ুনিভর্সিটিনা নারেংবম সমারজিৎতা দোক্টর ওফ হ্যুমেনিটিস পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপা থৌরমদুদা নারেংবম সমারজিৎনা মীওইবা জাতিসি শা–ঙা, উপাল–ৱাপালগা তৎনা থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। মীওইবা জাতিনা শা–ঙা, উপাল –ৱাপাল মরী লাপ্নরুবনা মীওই জাতিনা খুৎশেমগী ঈশিং–ঈচাও অমদি কা হেন্না শাবা কা হেন্না ঈংবা অৱাবা মায়োক্নরিবনি। মরম অদুনা মীওইবা জাতিনা খুৎশেমগী ঈচাওকা হেন্না শাবা কা হেন্না ঈংবদগী কঞ্জনবা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরম্বা শক্তমশিং মাং হনদনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মালেমগী মীয়ামদা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদগী চিয়রমেন এন্দ মেনেজিং ডাইরেক্টর সমারজিৎনা অপিল তৌখি।

# নিংঙোম্বম শাগেগী মঙারকশুবা মেরিটোরিয়স অমসুং এচিভরস এৱার্দ, ২০১৯ লাম্হোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

মণিপুর পূম্বগী নিংঙোম্বম শাগেগী ওইনা চহী অসিগী বোসেম, কোসেম অমসুং সি বি এস ই না লৌবা ক্লাস ১০ অমসুং ১২ কী একজামিনেসনদা চাদা ৬০গী মথক্তা ফঙদুনা মায় পাক্লবা মহৈরোইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা লমদা থোইদোক হেন্দোক্ন শিংথানিঙাই ওইবা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা মঙারক শুবা মেরিটোরিয়স অমসুং এচিভরস এৱার্দ ২০১৯ লাম্হোকখ্রে।

নিংঙোম্বম শাগে দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউনদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা মঙারক শুবা মেরিটোরিয়স অমসুং এচিভরস এৱার্দ ২০১৯ লাম্হোকপগী থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা জেনিমস হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরটেন্দেন্ট এল জিতেন্দ্রনা হায়খি, মহৈরোই ওইরিঙৈগী পূন্সিদা মতম হায়বসি য়াম্নমক মরুওই। থবক খূদিংমক মতম চানা পাঙথোকপা হায়বসি অফবা অমনি। থবক অমা তৌবা মতমদা মতম নাইদ্রগদি খুন্নাই অমা চাওখৎপদা থিন্থনবগী মচাক অমা ওই। পূন্সিদা মতম মশক খঙনা চৎপা থকশি–খাসি খঙবা অসিনা মায় পাকপগী অফবা লম্বী অমা ওই। অদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংনা মতম মশক খঙনা চৎতুনা পুন্সিদা মায় পাক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়খি।

ঐখোয় খূদিংমক মায় পাক্লবা হোৎনবদা ইশাগী হান্না খনবা মথৌ তাই। ইশা মতিক চাবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবনি। মীয়াম্না মশাগীতা খল্লি হায়নজরবসু মী ওইনবা হোৎনহৌবা অসিনা মরুনি। তুন্দা মতিক চাবা মী অমা ওইরবা মতমদা খুন্নাই অসিদা করিগুম্বা মখলগী অফবা খুদোল তম্বা ঙম্নবা হোৎনসি। লমদম অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা নিংঙোম্বম শাগেগী ওইনসু অচৌবা খুদোল অমা পীরমসি হায়না থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা নাগালেন্দ রুরেল বেঙ্ককী চিয়রমেন এন দেবব্রটনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা– ইকোনোমিক এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী রিতয়র্দ এদিস্নেল ডাইরেক্টর এন মোমোন, মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী রিতয়র্দ সেনিয়র রিসার্চ ওফিসার এন বিরেন্দ্র, গেট ৱেল হাওতল পাঙ্গেগী চিয়রমেন এন ধিনমনি, প্রোফেসর এম এস নিংঙোম্বম (ডা. পম্হৌপা), রিতয়র্দ টিচর এন সুরেশ্বর, এল জে পি মণিপুর ষ্টেটকী স্পোক পর্সন এন ইবোহল, য়ুনাক্লোগী চিয়রমেন এন ইরবন্ত, মণিপুর শিল্লং লৌমী লূপকী সেক্রেটরী এন জতিশ্বর মৈতৈ, কলচরেল এক্টিভিস এন কুলা, সোসিয়েল ৱার্কর এন শামো, পিবা এন মঙ্গি, সেন্ত্রেল জেল সজিৱাগী জেল্লর এন হেমন্তকুমার, স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট সেনিয়র বি পি হোক্কী ইন্দিয়া এন গ্যানেন্দ্রো, পিবা এন রাজেন, পুৱা কম্মিটিগী এক্স সেক্রেটরী এন হেরামনি, সোসিয়েল ৱার্কর এন য়াইম নচিংবা মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা চহী অসিগী বোসেম অমদি সি বি এস ই না লৌবা ক্লাস ১০ অমদি ১২গী একজামিনেসনদা চাদা ৬০গী মথক্তা ফঙদুনা মায় পাক্লবশিং মেডেল, সার্টিফিকেট অমসুং শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা সনালৈবাক পাউ–চেগী এদিটর ওক্রম চুথেক্তগী হেমন্তকুমার নিংঙোম্বম, কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদগী নিংঙোম্বম টিকেন্দ্র মৈতৈ, কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা নিংঙোম্বম অঙৌতোন মৈতৈ, শিংজেম ওক্রম লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা নিংঙোম্বম ইবোবী, খোঙমন জোন ৫তগী পুংগী ওঝা লৈখিদ্রবা নিংঙোম্বম ইবোবীদসু এচিভরস এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

# শেল কায়থোকখিবা লৈতেঃ ই ই

ইম্ফাল,জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চদোংদগী রামরৈ তাবা লম্বী থবক শুদনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট মনুংদা নিয়ম লান্না শেল কায়থোকখিবা লৈতে হায়না ৱাটর রিসোর্চ দিপার্টমেন্টকী থৌবাল প্রোজেক্ট দিভিজন নম্বর টুগী এক্সিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ারনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ই ই অদুনা হায়, ফেদরেসন ওফ ওল ত্রাইবেল য়ুঠ ক্লবস মণিপুর, নাগারাম কৌবা ওর্গনাইজেসন অমনা মেদিয়াগী খুত্থাংদা থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টনা শোকহল্লবা খুলশিংগী রাইট সাইদ হায় লেভেল রোদ হায়না খঙনবা থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট দিভিজন নম্বর টুগী মখাদা নৌনা লম্বী শেম্বগী থবক চখবদা কন্ট্রেক্টরগা লৌতুনরগা শেল কায়থোকখ্রে হায়রিবা অদু য়ূম্ফম য়াওদবনি। থবক শুদনা দিপার্টমেন্টনা শেল লৌথোকখিবা লৈতে হায়খি।

চদোংদগী রামরৈ ফাওবগী কিমি ৪ শাংবা লম্বীগী শরুক অসিগী রামরৈরোম থংবা কিমি ২দি চহী খরগী মমাঙদা দব্লিউ বি এম লৌবা লোইখ্রে। লেমহৌরিবা কিমি ২ অসি হৌজিক দব্লিউ বি এম লৌনবা প্রোসেস তৌদুনা লৈরিবনি। মদুগীদমক নুঙকুপশিং লম্বী নাকলদা পৈশিন্দুনা থম্বনি।

হায়রিবা নুঙকুপ পৈশিন্দুনা লৈরিবা শরুক অসি ফার্ষ্টক্লাস কন্ট্রেক্টর এ নিংথেমজাও কৌবা অমনা শুবনি। লম্বী অসিগী কিমি ৯.৫৬ তগী কিমি ১১.৫৬ ফাওবগী কিমি ২ শাংবা লম্বী অসি কুমজা ২০১৭কী সেপ্তেম্বর থাদা ৱার্ক ওর্দর পীদুনা থবক শুবা হৌহনখবনি।

হায়রিবা লম্বীগী শরুক অসি দব্লিউ বি এম লৌদনা লৈরক্লিবা অসি চহী অমা মখায়রোমগী মমাঙদা সিঙ্গলিং চাইদুনা থবক পায়খৎপা হৌরকপদা লূপ অমনা অথিংবা পীরকপদগী মতম চানা থবক শুবা লোইশিন্দনা লৈরকখিবনি। লম্বী অসিগী শরুক খরদা লেন্দস্লাইদ মচা মচা থোকপনা অমসুং নুঙ লৈঙোই পুবা অচৌবা গাড়ী চৎপা য়াদবনা লম্বী অদু ফিভম ফত্তন লৈবদগী দিপার্টমেন্টনা শেমজিন্দুনা লাকপনি।

কন্ট্রেক্টরদা দব্লিউ বি এম লোইশিন্দনা লৈবদগী মহাক্কী পীথোকফম থোকপা শেনফম লুপা ৭২,৯৬,১৫৯ অদু শুনা হৌজিকসু পীথোক্তনা লৈরি। মহাক্না শুখিবা চাং অদু য়েংলগা মচিৎ মচিৎ শুখিবগী পীথোকখিবদি লৈ হায়খি। হান্নগী ওনগোইং প্রোজেক্ট ওইবনা দব্লিউ বি এমগী থবক অদু অথুবদা লোইশিন্নবা মার্চ থাদা লুপা ৩৩,৯৬,০০০ পীখিবদি লৈ। মদুসু ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী অয়াবা লৌরগা পীখিবনি।

# অরিবা বোম লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লুৱাংসঙবম মনিং লৈকাইগা তইনবদা এনোন ভিল্লেজদা লৈবা মিনিষ্টর কয়ইসিগী ইঙ্খোলদা য়ূম শানবা জে সি বি শিজিন্নরগা লৈবাক তৌবদা থেংনরকখিবা অরিবা মতমগী বোম ওইগনি চিংনবা পোৎশক অমদগী মৈ হৌরকপদগী বোম এক্সপার্টকী টিম অমা থিগৎপগী থবক চখরবা মতুং খঙদোকপা ঙমখ্রে। পাউ অসিনা হায়, লৈবাক তৌবগী থবক অদু ঙরাং অয়ুক পুং ৬ রোম তাবা মতমদগী হৌখি। অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা জে সি বিনা লৈবাক কোৎপদা খঙহৌদনা মৈ হৌরকখি। মৈ হৌরকপা অদুদগী লৈবাক কোৎপগী থবক অদু লেপ্লগা লোয়ননা পুলিসতা পাউ পিখি। পুলিস অমদি পুলিসকী বোম এক্সপার্টকী টিম লাক্তুনা মফমদু কুপ্না য়েংশিনখি। মৈ অদু ঙরাং নুমিদাং অথেংবা ফাওবা চাকখি। পোৎশক অদু করিনো হায়বদু চপ–চাবা খঙদোক্নবা থিজিনবগী থবক নুমিদাং অথেংবা ফাওবা চখবদা নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তাবদা অরিবা মতমগী বোমনি হায়বদু খঙদোকপা ঙমখি। বোম অদু চাওরাক্না কে জি ৪০ রোম লুম্মী। অশোই অঙাম থোকহন্দনা লৌথোকখ্রে।

# জোনেল লেভেল কম্পিটিসনগী মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

মিসন ট্রান্সফোর্মেসন ফোর গভর্ণমেন্ট স্কুল মণিপুরনা শীন্দুনা চহী অসিগী মে ২৬তা পাঙথোকখবা মেথমেটিক্স, সাইন্স অমসুং সোসিয়েল সাইন্সকী অহানবা জোনেল লেভেল কম্পিটিসনগী মনা–মথুম য়েন্থোকখ্রে। কম্পিটিসন অসি লমদম অসিগী লৈঙাক্কী প্রাইমারি অমদি অপ্পর প্রাইমারি স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোইশিংগী ওইনা পাঙথোকপনি।

ইম্ফাল কোলেজ, ইম্ফালগী জুবিলি হোলদা ঙসি পাঙথোকখবা প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ এদুকেসন (এস)কী ডাইরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা হায়খি, লৈঙাক্কী স্কুল ফাগৎহনবগীদমক লৈঙাক্কী স্কুলদা ওঝা ওইরিবশিংনা অসিগুম্বা থৌরাং পায়খৎলকপসি থাগৎনিঙাইনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফিভম শোকচিল্লকপা থেংনরিবসি চহী কুইশিল্লক্লে। অদুবু লৈঙাক্না কন্না হোৎনদুনা ফিভম খরদি ফগৎপা ঙম্লে। মমা–মপা ওইবশিংনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহে–তমহল্লিবসি থাজবা অমগা লোয়ননা তমহল্লিবনি। ওঝাশিংনসু লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোইশিংবু তমনিংনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা মহৈরোইশিং লায়রবা ইমুংদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। মমা–মপাশিংনা মখোয়বু য়েংশিনবীদে অদুনা অফবা মহৈরোই পীয়ু, স্কুলগী মিংচৎ পুরকহনগে হায়বসি ওঝাশিংনা তোইনা হায়নবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোনশিং অসি ওঝাশিংদা চেহন্নিংদে। মসিগী মহুৎতা লৈঙাক্কী স্কুলদগী অফবা মহৈরোই হেন্না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনসি। মসিগী মনুং চন্না লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোইশিংগী মমা–মপাশিংগা ওঝাশিংগা ইন্টরেক্সন তোইনা তৌবা চঙই। ইন্টরেক্সন তৌদ্রিমখৈ মচাগী অশোয়বা মমা–মপাশিংনা খঙবা ঙম্লোই।

হৌজিক্কী ওইনা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসি মপুং–ফানা মথৌ তৌহনবগীদমক ওঝা ৬০০ কী মথক্তা ৱাৎলি। ৱাৎলিবা ওঝাশিং অসি লৌননবা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং ওঝা ওইবগী ইলিজিবল ওইবা কয়াম লৈরিবগে হায়বসিসু অরুবা অমনি। অদুনা ৱাৎলিবা ওঝাশিং অসি খুদক্তা মেনশিনবা ওইথোক্লোই। লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ফিভম ফাগৎহনবা অথুবা মতমদা স্কুলশিংগী অমলগমেসনগী ওর্দর থোক্লগনি। মসিনা স্কুলশিংগী ফিভম খরা ওইরবসু ফগৎপা ঙম্লগনি থাজে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা এস সি ই আর টি গী সেনিয়র লেকচর আর কে সসিরঞ্জননা হায়খি, লমদম অসিগী এদুকেসন সিষ্টেম অসি শেমদোকপদা ওঝাশিং, মহৈরোইশিং, মমা–মপা ওইবশিং অমদি মসিগা মরী লৈনবা ষ্টেক হোল্ডর খূদিংমক্কী থৌদাং লৈ।

# ‘ লোন কলচরবু ৱাংনা থাংগৎপা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি’

ইম্ফাল,জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

লমদমসিগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা লোন চৎনবী কলচরবু মালেমগী থাক্তা ৱাংনা থাংগৎনবা হোৎনবা হায়বসি লমদমসিগী মীয়ামগী মথৌনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীদা পাঙথোকখিবা মণিপুরী সহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী ৮৫শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা খেমচান্দনা মখা তানা হায়, বাংলাদেশতা চহী কয়াগী মমাঙদগী ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা মীতৈশিংনা ঙসি ফাওবা লমদমসিগী লোন চৎনবী কলচর খূদিংমক ঙাক্তুনা চৎলি। অদুবু ম্যান্মারদা লৈরিবা মীতৈ অয়াম্বদি মীতৈ লোন ঙাঙদবা অমদি ফিজেৎ চাকচা খূদিংমক বর্মিসকী মতৌ তমখিবনা মীতৈগী শক্তম মাঙখ্রে হায়বা য়ারে। মণিপুরগী লৈজরক্লবা সহিত্য চৎনা কাঙলোন চৎনবী কলচর কন্নবা হোৎনদুনা লাক্লিবা মণিপুরী সহিত্য পরিষদনা লৌরিবা থৌদাং অসি ইকায়খুম্নফম থোকই। লৈঙাক্কী মায়কৈন্দগীসু হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা লাক্লি। লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসিদগী হেন্না করি করি তৌবা য়াই হায়বদু লোন অমদি মণিপুরী সহিত্যবু মালেমগী থাক্তা পুখৎলক্লিবা অসি মণিপুর সহিত্য পরিষদকী অচৌবা থৌদাং য়াওরি। মরৈবাক মজাতিগী লোন কলচর পুখৎপা হায়বসি লমদমদুগী মীয়ামগী মথৌনি। সেকেন্দ ৱার্ল্ড ৱারদা লৈখিদ্রবা জপানিজশিংগী খোঙ্গুল লিবা ষ্টেট অসিদসু তোইনা লাক্লিবনি। মখোয়না খোঙ্গুল লিবা হায়বসি মখোয়গী কাঙলুপ অদুবু নুংশিবগী খুদমনি।

# ফারকপা গাড়ী লম্বীদগী মুলহৌরে

থৌবাল,জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওফিসিয়েলশিংনা এন জি ওশিং অসুং সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংগা লোয়ননা তেন্থাদা লৈবা চীংদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈবাক লৌথোকপা অমসুং উ য়াম্থৎপা থিংনবা খোঙথাং লৌখৎলিঙৈদো লৈবাক কোৎলম্বা জে সি বি অমা অমসুং টিপ্পর ট্রক অমা ফারগা পুরকপদা লম্বীদগী এম এল এ অমনা মুলহৌরে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, থৌদোক অদু ঙসি খাঙবোক লম্লোং এরিয়াদা থোকখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ফিল্ড ষ্টাফশিংনা তেন্থা থম্বাল চীংদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈবাক লৌথোক্লম্বা জে সি বি অমা অমসুং তিপ্পর ট্রক অমা ফাদুনা পুরগা লাকখি। মখোয়না গাড়ী অদু ফাদুনা পুরকপগী লম্বীদা খাঙবোক লম্লোং এরিয়া য়ৌরকপদা এম এল এ অমনা গাড়ী অদু নমদুনা এস্কোর্ট শিজিন্নরগা মুলহৌবনি হায়রি।

অসিগুম্বা নিয়ম কায়না থবক তৌবগীদমক ফাগৎলবা গাড়ীশিং এম এল এনা নমদুনা মুলহৌবা অমসুং কোর্টনা পীবা রুলিংবু ইকাই খুম্নদবা অসি লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোক্নরক্লি হায়রি। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ওফিসিয়েলশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা থবক তৌবদা পূক্নিং হলহন্নবা মরম অমা ওইহল্লে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখি হায়রি।

# নম্ফুদা গাড়ী মুনখিবা লৈতেঃসুর্জকুমার

থৌবাল,জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থাগী চীংদগী লৈবাক লৌরুবগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা ফাগৎলকপা গাড়ী মহাক্না এস্কোর্টকা লোয়ননা নমদুনা মুলহৌরে হায়রিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি হায়না খাঙবোক এ সিগী এম এল এ ও সুর্জকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এম এল এ সুর্জকুমারনা হায়, মহাক্কী কেন্দ্রগী মনুং চনবা হৈরোক, ৱাংজিং তেন্থা লমদিং ফাওরগা চেনলিবা তুরেল অসি চহী খুদিংগী ওইনা ঈশিং চাউরকপদা তুরেল লৌনম্বাল কায়বদগী মদু থোক্তনবা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লমদ অদুগী জেদ পি মেম্বরশিং, জি পিগী প্রধানচিংবা য়াওনা লৈকাইগী মীয়াম্না হোৎনদুনা তেন্থা থম্বাল চীংয়াদগী লৈবাক লৌরগা লৌনম্বাল থোনবগী থবক চখরকপনি হায়খি।

মহাক্না কন্সটিট্যুয়েন্সি মনুংদা প্রোগ্রাম মথং মথং চৎপগী লম্বীদা অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা লমদম অদুগী জেদ পি, প্রধাননচিংবনা তুরেল লৌনম্বাল থোনবগী গাড়ী ফাজিনখিবগী পাউ পীরকপদগী মহাক্না চত্তুনা গাড়ী ফারিবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখি।

মহাক্না দি এফ ও নৎত্রগা রেঞ্জ ওফিসারগী নম্বর পীনবা লৈরম্লিবা ফিল্ড ষ্টাফশিংদা হংবদা পীয়ু য়াদবদগী কোইথিথিরগা নম্বর ফংলবা তুন্দা ফোন তৌবদা ওফিসারশিং অমত্তা পায়খৎলকখিদে।

মদুদগী লৈরম্লিবা ওফিসিয়েলশিং অদুদা মখোয়না অরানবা য়াওরম্লবসু হন্দক্কী অসি ঙাকপীরো, দিপার্টমেন্টকী থিফম থোকপা ফাইন অদু থিদোক্লবসু থিদোক্লে হায়না মহাক্না হায়খি হায়না সুর্জকুমারনা ফোঙদোকখি।

তশেংবগীদি লৌরিবা লৈবাক অমসুং শুরিবা থবক অদু কনাগুম্বগী লন্নাই নত্তে, লমদম অদুগী মীয়াম্না ঈচাউ থোকপা মতমদা অৱাবা মায়োক্নগদৌবা অদুদগী কন্নবগী থবক পায়খৎপনি। অদুবু য়াদ্রবনিনা গাড়ী অদুদি থাদোকপীরম্নবা হায়বগা লোয়ননা থিফম থোকপা ফাইন থিজগে হায়না হায়বদগী ওফিসিয়েলশিং অদু হনখবনি।

মসিদা মহাক্না এস্কোর্ট শিজিন্নরগা নম্ফুদা গাড়ীশিং অদু লৌহৌখবা লৈতে। মহাক মশামক লমদম অসিদা ইকোলোজিকেল বেলেন্সতা কায়রক্লিবা অসি য়েংলগা মসি মতৌ করম্না কনগদগে হায়বা খোঙথাং কয়া লৌখৎলিবা মীওইনি হায়রদুনা মহাক্না কৈদৌঙৈদো লো থুগায়বা থবক তৌরোই হায়খি।

লমদম অদুগী মীয়ামদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অমনা গাড়ীশিং অদু মখোয়না অতোপ্পা মীওইদগী ৱাইরুবা ওইবনা লোকেলগী মীয়ামদা অকনবা প্রেসর পীরকপা লৈ হায়খি। মরম অসিনা মহাক্না কৈদৌঙৈদো এস্কোর্ট লান্না শিজিন্নরগা নম্ফুদা গাড়ী মুলহৌবা লৈতে হায়খি।

লমদম অমদা ঈশিং ঈচাউ থোরকপা মতমদা মদুদা লৈবাক্কী তঙাইফদবা লৈবনা মদুগী লৈবাক লৌফম অমা লৈঙাক্ন লেপথোকপীনবা থবক লৌখৎপীনবসু মহাক্না মখা তাখি। লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা অসি তৌবিদনবা আপীল তৌখি।

# অথীংবদি লৌথোকখ্রেঃ তেথনরবসু থরুমদি ...

লমায় ১গী মখা

বিল ৩৮গী মনুংদা অয়াম্বদি চীফ মিনিষ্টরনা এপ্রুবেল পীখি,লৈবাক্কী লুরবা তানফমদা চীফ মিনিষ্টর শিনবগী ৱাফম লৈতে,পার্টিগী অমদি গভর্ণমেন্টকী ফনবনি ফম পাম্বগী নত্তে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া মেড়িয়াদা ফোঙদোক্নরকখিবসু লৈখ্রে। অদুবু এডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম সিংহনা গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাং লোই ওইনা চীফ মিনিষ্টর শিনবগী ৱাফম মেড়িয়ানা পুথোকপনি হায়না চার্জ তৌখি। মসিমক্তি অচুম্বনি হায়না লৌদে। পোলিটিকেল গেমসনি।

ইকোনোমিক টেরোরিজম,ফাইনান্সিএল ইমার্জেন্সি হায়বা রাজনিতিগী লোনদা (পোলিটিকেল লেঙ্গোইজ)নি হায়রবসু ষ্টেট অমদা তোঙান–তোঙানবা গভর্ণমেন্ট ডিপার্টমেন্টশিংগী শেল কায়থোকপদা আর বি আইনা অথিংবা থম্লকখিবা হায়বসি অচৌবা ফাইনান্সিএল ক্রাইসিস অমনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। ওভরদ্রাফট হায়বসিদি অদুমক তৌনবা ঙাক্তনি। মমাঙ চহীদসু তৌখি শেল কায়থোক–কাইশিনদা আর বি আইগী অথিংবদি থমখিদমাল্লে। অদুনদি ষ্টেট অসিগী ওইনা শেল–থুম শীজিন্নবগী মওং,পরম,নিয়ম ঙাক্তুবরা তৌনিং–তৌনিংবা পংতৌ তৌরৱা হায়বগী ৱাফম লাক্লি। শেল–থুম শীজিন্নবগী ৱাথোক অসিদা লোয়নরিবশিং অদু খঙদোক্নবা হ্বাইত পেপর অমা পুকচেল শেংনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা চুমগনি হায়না কলম অসিমক্তদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। তবীবা–তবীদবনা অতোপ্পা ৱানি।

অফবা লৈঙাক–গুড গভর্ণান্স হায়বসিদা শেল–থুম চুম্না শীজিন্নবসি কোনশিল্লবদি হ্বাইত পেপর অমদি পুথোকফম থোকপনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টরনদি কম্মিটি অমা শেম্লগা ইনক্বারি তৌনবা লাউথোকখিবা লৈরে। লুরিবদি ব্যুরোক্রেট ওফিসার অমনা লুচিংবা টিম অমনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা থাক কন্দায় ফাওবা য়েংশিনবা ঙমগদগে হায়বসিনি। ফম্না য়াম্না মপাঙ্গল হাপ্পবসু মপুং ফানা থবক তৌবা ঙমগনি থাজদে। অদুনা হায়কোর্ট নৎত্রগা সুপ্রিম কোর্টকী সিট্টিং নৎত্রগা রিটয়ার্ড জজ অমনা লুচিংবা টিম অমনা নৎত্রগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নীংথিনা শক খঙবা মশক নাইবা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুট অমনা থিজিহল্লবদি অশেংবা–অচুম্বা খঙবা ঙমগনি। লোয়ননা ফাইনান্সিএল দিসিপ্লিন লৈবা থবক তৌনবগী পোরম য়াৎপদা মতেং ওইগনি।

হন্দক্কী ফাইনান্সিএ ক্রাইসিস অসি লুপা ক্রোর ২৭৪.৪৮ ওভরদ্রাফট তৌরুবা খক্কী নত্তে। লোক সভা ইলেক্সনগী মোডেল কোড ওফ কন্দক্ট লৈরিঙৈদো য়াম্লবা শেনফম কায়থোক্লম্লে হায়বসিনি।

অমরোমদা,মিনিষ্টর ইন–চার্জ ফাইনান্সনা লুপা ক্রোর ২দগী হেন্না কায়থোক্লবা অয়াবা পীবা ঙমদে হায়নবসু লৈরি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু য়াম্লবা শেনফম ওভরদ্রাফট তৌদুনা ষ্টেটকী ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্ট তৌবা হায়বসি কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী অপুনবা থৌদাংনি। কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টর খঙদবা য়ারোই। করিগুম্বা খঙলমদবা থোক্লবদি লুচিংবা ওইবগী গুণ,শক্তি লৈত্রে হায়বা তাবনি। অদুগা করিগুম্বা খঙনা–খঙনা খঙজিন্নদবা ওইরবদি মদু অচৌবা ওইজবা থীবগী লিচৎনি হায়না লৌনরক্কনি।

মরম অসিনা চুম্না অমদি শেংনা থবক তৌরি হায়না লৌনরিবা হায়দোকখ্রবদি শুংশোয় শোয়দনা থবক্কা উৎকনি হায়বগী থৌনা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা অসিগুম্বসি মতুংদা অমুক থোক্তনবা পরম অমদি য়াৎলম্বা চুমগনি। কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী কলেক্টিব রেসপোন্সিব্লিটি পুন্না দায়ত্ব লৌমিন্নবা হায়বা পরম অদু ঙাক্লবা হোৎনবদা রাজনিতিগী অচেৎপা ফিরেপ লৈবা তাই। লোক সভা ইলেক্সনগী মতমদা ইলেক্সন অসিগী মতুংদা গভর্ণমেন্টতা অহোংবা লাক্লবা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা লাউথোকখি। চৎলিবা জুন থা অসিগী মনুংদা মিনিষ্টর হোংদোক–হোংজিন তৌরগনি হায়খি। অমুকসু মিনিষ্টর হোংদোক–হোংজিনগী ৱাফম লৈত্রি, ফিভম য়েংখিগনি হায়খি। অদুগা থা অসিগী ১৩দা মিনিষ্টর অনীদগী ফাইনান্স,পৱার,ৱার্ক্স লৌথোকখি। অমুকসু পার্টি হায় কম্মান্দগী ৱা তাদনা মিনিষ্টর অনীদগী লৌথোকখিবা ফম হঞ্জিনলোই হায়খি। অসুন্না পল্লেফম খঙদবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা হায়বদু ঙমদৌরিৱা হায়বসি অনৌবা ৱাহং ওইরি। অদুননি ইকায় খাঙদগী মেড়িয়াদা মরাল থং জিল্লগা তেথনরবসু থরুমদি অদুম্মক লৈনরি হান্নদগী কনখৎনরকপগুন্না উরি। অসিগুম্বা থৌওং অসি রাজনিতিগী লৌনিদি হায়ববু অফবা লৈঙাক –গুড গভর্ণান্সকী মচৎনিদি হায়নিংদে।

# মপূন্সিগী কার ...

লমায় ১গী মখা

লমদমা লৈরুবনা নোংমতসু ওল্ড এজ পেন্সনগী মরমদা নীংথিনা খঙবসু লৈতে। খুল অসিদা লৈঙাক্কী লৈফম থোকপা ওফিসনচিংবা অমত্তা মথৌ তৌদবনা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বগী ৱাখলসু খঞ্জিনলুদ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# রিমান্দ লৌথখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৩(এস এন এস)ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইশোক্তগী ৱাঙ্গোই ফাওদোকখিবা চীংয়াগী লম্বীদা হেক পোকমিন্নবা ময়াম্ববু থাঙনা য়াদুনা হাৎখিবা নাম্বোল নাওরেম মখা লৈকাই ৱার্দ নম্বর ১৪দগী তোংৱম ইনাও অপোকপা লৈখিদ্রবা নোবিন অমদি মহাক্কী মচানুপা তোংৱম তোম্বা অনীবু ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা ঙসি দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ ৯নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে।

# থবক খুদিংমক থিংজিল্লে ...

লমায় ১গী মখা

অসি ঙসিদি কাং–খোং চাইবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরে।

মহাক্না হায়, হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অসিগী রিগুলর ভাইস অমদি রিগুলর রেজিষ্ট্রার লৈত্রি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী নন–টিচিং অমদি টিচিং ষ্টাফ লৈখায় তাদবা অসিনা সিন্দিকেট মেম্বরশিং লৈহন্দবা, একাদেমিক কাউন্সিল অমদি দিন অমত্তা লৈতবা অসিনা মহৈরোইশিংদা মহৈরোইশিংগী কেরিয়ারদা অদুক্কী মতিক অৱাবা চৈথেং পীরে।

এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভর্সিটি (এ আই য়ু)দা মেম্বর ওইদবনা দি এম য়ুনিভর্সিটি অসিদা তম্লিবা মহৈরোইশিংদা পীগদৌরিবা সার্টিফিকেট অসি চৎনবা য়ারোইদবা সার্টিফিকেট অমা ওইহনগদৌরি। মসিদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তম্লিবা মহৈরোইশিং অসিগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর অমত্তা পিদে, মসিগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী য়াম্না চাওবা অশোয়বা অমনি।

য়ুনিভর্সিটি অসিদা হৌজিক তম্লিবা মহৈরোইশিংনা কলচরেল অমদি গেম এন্দ স্পোর্টসতা ইষ্ট জোনগী, নেস্নেলগী নৎত্রগা মালেমগী থাক্তা শরুক য়াগদবা অদুগী খুদোংচাবা অদুসু অমত্তা ফংহন্দনা লৈরি। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিটি অমগী চপ–চাবা চৎনা কাংলোনশিং অদু চপ–চানা থমদ্রিফাওবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী থবক থৌরমদা নত্তনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা অন্দর গ্রেজুয়েটগী কাউন্সেল্লিং অসি মতম কক্তনা থিংজিল্লে। লোয়ননা মসিদা থোক্লকপা অফ–ফত্তগী খুদিংমক্কী থৌদাং অদু মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈননবা ওথোরিটিনা পুগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# দ্রাফ ষ্টেট দ্রগ পোলিসি...

লমায় ১গী মখা

এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরমদা মনা মথুম য়েন্থোকপগা লোয়ননা ইকাই খুম্নবা উৎকনি।

মসিগা লোয়ননা মণিপুর অসি দ্রগ লৈতবা তিঞ্জং কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়খি। ঙসিগী কম্পিটিসন অসিদা পুন্না কম্পিটিটর ৩৩ না শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট খরগী কম্পিটিটরশিংদি লাক্ত্রে হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্না হৌজিক ষ্টেট অসিগী ওইবা দ্রগ পোলিসি অমা শেম্নবা হোৎনরিবা অসিদা মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্নবগীদমক ৱারেপ খরা লৌগনি হায়খি।

ষ্টেট দ্রগ পোলিসি অমা পুথোক্নবগীদমক ষ্টেটহোল্ডরশিংগী অহানবগী ওইনা খন্না নৈন্নরবা মতুংদা অহানবা দ্রাফ তৌরে। জুন ২৬তা অহানবা দ্রাফ অসি পুথোক্লবা মতুংদা মখা তানা মীয়ামগী ৱাখল্লোন কৌরবা মতুংদা হেন্না ময়া থৌবা পোলিসি অমা ওইহন্নবা থবক পায়খৎনবা হোৎনরি হায়খি।

ঙসিগী লাই য়েকপগী চাংদম্নবা অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ভেনিস কৈশাম অমসুং সামসন সলাম মৈতৈনা অহানবা পোজিসন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অসেম ইন্দ্রজিৎ সিংহনা অনিশুবা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী থোকচোম তোমি দেবীনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# মীপাল তাংবা তোক্তুনা ইশাগী পোথোক্না হিংলসি...

লমায় ১গী মখা

হৌরে। হৌজিক মদু মীয়ামদা মমল কয়াদা ফংহনগদগে হায়বদু ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা লেপথোক্কদবদা ঙায়রে। মদু অথুবা মতমদা লেপথোক্লগনি হায়খি।

লমদম অসিদা ঙাথোক হেন্না পুথোক্তুনা ষ্টেট অসিগী তঙাইফদবা চাং অদু য়ৌনা পুথোকপা ঙম্লবদি ঙা লৈবদা লুপা ক্রোর ৪০০ চহীগী মপান্দ চৎলিবা অসি কনবা ঙমগনি। মসিদা নত্তনা অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং লমদম অসিদা পুথোকচরবদি লমদম অসিদগী য়াম্লবা শেনফম মপান্দা চৎলিবা অসি থিংবা ঙমগনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা কিহোম থারিবা লৌমীশিংনা কিহোম থাবা মতমদা নাপী হৌবগী প্রোব্লেম মায়োক্নরিবা অসি কোকহনবা ঙম্নবগীদমক প্লাষ্টিক মলচিং তৌনবা থৌরাং পায়খৎপদা শেনফম কয়া য়াম্না চংগনি হায়বদু হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকা তান্নরগনি। লোয়ননা মলচিং প্লাষ্টিক অসি লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা ফংহন্নবা থবক লৌখৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, মণিপুরগী কিহোমগী পোখোকশিং অসি মপান লমদ য়াম্না পাম্নবা হেনগৎলক্লি। মসিদা ভেল্যু এদিসন তৌরগা এক্সপোর্ট তৌবা য়াবা পোখোক পুথোক্লবা হোৎনসি হায়খি।

লমদম অসিগী চীংখোঙ চীংদা হাংদুনা লৈরিবা মফমশিং অসিদা কিহোমশিং অমসুং হৈরা মখল কয়া থারবদি মদুনা লমদম অসিগী শেনমীৎলোন ফগৎহনবদা শোয়দনা মতেং পাঙগনি।

হৌজিক লমদম অসিদা থৱায় য়াওবা নহা কয়া থোরকপগী ষ্ট্রোবেরি, সেমনচিংবা উঁহে ৱাহৈ কয়া পাক শন্না থাদুনা মপান লমদগী পুশিনলকপা উঁহে ৱাহৈ কয়া লমদম অসিদা মরাং কায়না ফংবা ঙম্লে।

লমদম অসিদা পুথোকপা শিং, কোমলা, চম্প্রানচিংবা কয়া মপান্দা থাদোকপা হৌরে। অতোপ্পদা মীপান তাঙলগা হিংবগী মহুত্ত ইশাগী পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবা তাই হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক করি তৌরিবগে অমসুং করি করি পায়খৎকদৌরি হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবা চংই।

মণিপুরদা মীতোপ চঙশিল্লকই চঙশিল্লক্তে হায়বা ৱাফম লাকপদগী জিরিবামদা হৌজিক লৈঙাক অসিনা জিরি তুরেলদা মোটোরবোট শিজিন্নদুনা পেট্রোলিং চৎলিবনি। মসিদা নত্তনা মণিপুরগী ম্যানমারগা তাইনরিবা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বেহিয়াংদা উরেপ উয়ুং তমখিবা পুলিস ষ্টেসন শাবা লোইদুনা হয়েং শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নগনি।

লৈঙাক অসিনা চিন্না ঙাঙবদা চত্তে, হায়দোকখিবা ৱাফম খূদিংমক থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরি হায়বসি উৎপা ঙম্লে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক্কী মতমদা মীয়াম্নসু য়াবিদ্রবা মীওই কাঙলুপ অমনা চিন্দা পংলাওদা লাওদুনা লৈরি। মীৎনা উবা ঙম্বা অহোংবা অদু মীয়াম্না ঙসিদি উবা ফংলে হায়খি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক মতেং পাঙনবা থোংঙলাওনা হাংদুনা থম্লি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

থৌরম মপু ওইখিবা হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়, মণিপুরদা কিহোম অসি পাক শন্না হৌবনা পাইনএপল ফেষ্টিভেল অসি তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্নরবসু ষ্টেটকী থাক্তা নুমিৎ অমা থম্লগা অচৌবা থৌরম পাঙথোক্তুনা হৌদোক্লগা মাগী মাগী মফমদা পাঙথোক্লবগী থৌরাং অমা চথবনা চুমগদ্রা হায়না খল্লি হায়খি।

মহাক্না হায়, লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং অসি লিদুনা থম্নবা বিষ্ণুপুরদা কোল্ড ষ্টোরেজ অমা শাবা লোইখ্রে, তৌসেমদা অমা শাবা চাদ ৯০ লোইরে, ইম্ফাল ইষ্টকী পোইরৌখোঙজিলদসু অমা শাবা লোইদুনা চল্লাইবা হৌরে। সঙাইথেলদসু মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিভলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর (এম আই দি ঐচ) গী মখাদা মিনি কোল্ড ষ্টোরেজ অমা শানবগী থৌরাং পায়খৎলগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিগী পুথোক্লিবা কিহোমগী পোখোকশিং অসি মপান লমদা থাদোকপা হৌরে। লৌমীশিংনা কিহোম পুথোকপা মতমদা হার চাইশিনবা অসিনা পোখোকশিং অসি মপান্দা থাবা মতমদা লৌবীয়ু য়ারক্তে। মরম অসিনা কিহোম থারিবা লৌমীশিংনা এম ও ভি সি দি এন ই আরগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরগা মখোয়না পুথোকপা ওর্গানিক ওইবা কিহোম অসি মপান্দা য়োনবা য়ানবা হোৎনবদা মতেং পাঙগনি হায়খি।

ফেরজোলগী শিং মমাঙদা য়োন্নবা কৈথেল লৈরমদবা অদু ঙসিদি কৈথেলদা লৈগে হায়বদা ফংবা ঙমদ্রে। মপান লমদা থাদোকপদগী লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা কান্নবা পীরে হায়খি।

হৌজিক ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অচৌবা উ পাম্বীশিং অসি মফম চাদনা হৌরবসু হোংদোকপা য়ানবা মদু ফুক্লবা মেছিন লৈনবা থৌরাং লৈরে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লমশাং এসিগী এম এল এ এস রাজেন, এম এল এশিং ৱাই শুরচন্দ্র, পি ব্রোজেন অমসুং কে এস ঐচ বিরেনসু শরুক য়াখি।